# রোবর্ট ম্যুলঅরগী প্রোবনা মীওই ৩ চার্জ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সি) : হৌখিবা কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা অমেরিকাগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মপান্দগী খূৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থিজিল্লিবা স্পেসল কাউন্সেলনা মীওই অহুমগী মথক্তা চার্জ তৌখ্রে।



স্পেসল কাউন্সেলনা চার্জ তৌখিবশিং অদুগী প্রাইমর অমা পীজরি : পোল মানাফোর্ট - মানাফোর্টনা কুমজা ২০১৬কী মার্চঅথেংবদগী ওগষ্ট ফাওবা জি ও পিগী প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট দোনাল্ড ত্রম্পকী টোপ ষ্ট্রেটেজিষ্ট ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা রিপব্লিকান অমগী ত্রেনিং তৌরকখিবা মানাফোর্ট কুমজা ১৯৭৬কী রিপব্লিকান কনভেন্সন্দা জিরাল্ড ফোর্সকী দেলিগেটশিং পানবদগী অমসুং কুমজা ১৯৮০দা রোনাল্ড রিগানগী কনভেন্সন মেনেজ তৌবদা মতেং পাঙখিবদগী মীয়াম্না খঙনরকখি। মহাক্না ব্লেক, মানাফোর্ট, ষ্টোন এন্দ কেলি হায়না খঙনবা লোবীইং সোপ অমা লিংখৎখি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা লাইফষ্টাইল অমসুং দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী দিক্টেটর মোবুতু সেসে সেকোগুম্বা ইনুং নুংঙাইতবা ক্লাইন্টশিং লোইনবগীদমক্তা মহাক থোইদোক হেন্দোক্না মমিং চৎলকখি।

কুমজা ১৯৯৫দা মানাফোর্টনা রিক দাভিসকা লোয়ননা অনৌবা লোবী ফার্ম অমা অমুক লিংখৎখি। তুংদা দাভিসনা মানাফোর্টপু হান্নগী সোভিয়েট ষ্টেটশিংগী পোলিটিক্সকা মরী লৈনবা মীওই কয়া কন্টেক্ট তৌহনখি। পোলিটিকেল কন্টেক্টশিংদুগী পনবা য়াবশিংদি রসিয়ন ওলিগার্ক ওলেগ দেরিপাস্কা অমসুং য়ুক্রেনিয়ন ওলিগার্ক রিনাট অখমেটোভনি। মানাফোটনা ইষ্টর্ন য়ুরোপতা পায়খৎখিবা থবক খরা মায় পাকখি হায়না লৌনৈ।

য়ুক্রেনগী প্রো-রসিয়ন পার্টি ওফ রিজন্সকী এদভাইজর অমা ওইনা মানাফোর্টনা পার্টি অসিবু মীয়াম্না পাম্নবা পার্টি অমা ওইহনখি অমসুং রসিয়ন ঈথিলগী মখাদা কুমজা ২০০৬তা পার্টি অসিদগী য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট খলহনখি। কুমজা ২০১৪ ফাওবা মানাফোর্টনা পার্টি ওফ রিজন্সকী এদভাইজর অমা ওইনা লৈখি। পার্টি অসি মীয়াম্না পাম্নবদগী চহী অসিদা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কয়াগী মরক্তা পৱারদগী চিংথুখি।

মানাফোর্টকী মতম শাংলক্লবা মরুপ মপাংশিংগী মরক্তা থোমাস বারেক য়াওরি। বারেকসু ত্রম্পকা য়াম্না নকশিন্নবা মীওইনি। অদুগুম্বা কন্নেক্সন লৈবা অমসুং রিপব্লিকান পার্টি পোলিটিক্সতা থোইদোক্লা হৈশিংবগী মওং উবদগী ত্রম্পকী কেম্পেইনদা মানাফোর্টপুসু য়াওহনখি।

রিক গেটস : ত্রম্পকী কেম্পেইন অমসুং য়ুক্রেনদা পায়খৎলিবা থবক অনীমক্তা রিক গেটসনা মানাফোর্টকী দেপ্যুটি ওইখি। হৌজিক মশাগী চহী ৪৫শুরবা গেটস মানাফোর্টকী লোবীইং ফার্ম ব্লেক, মানাফোর্ট, ষ্টোন এন্দ কেলিদা ইনটর্ন অমা ওইনা হৌরকখি। মহাকসু মানাফোর্টকী মতুং ইল্লদুনা ত্রম্পকী কেম্পেইন্দা য়াওশিনখি অমসুং মরুওইবা দিসিজন মেকর অমা ওইরকখি।

জোজ পাপাদোপোলোস : ত্রম্পকী কেম্পেইন্দা য়াওদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক মশানা ইন্টরনেসনল ইনর্জি কন্সলটেন্ট অমনি ফোঙদোকচখি। মহাক শুপ্পগী ২০০৯দা দিপোল য়ুনিভর্সিটিগী গ্রেজুয়েট অমা ওইখিবদা ঙাইহিরিঙৈদা মশানা ইন্টরনেসনল ইনর্জিকন্সলটেন্টঅমনি হায়না ফোঙদোকচখিবনি অমসুং মহাক ফোরন পোলিসি সার্কলশিংদসু থোইদোক্লা খঙনবা মীশক ওইখিদে হায়রি।

# টোকিও পুলিসনা এপার্টমেন্টতা হকচাংগী শরুক কয়া থেংনবদগী নুপা অমা ফারে

টোকিও, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : জপানগী কেপিটেল টোকিও সিটিগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা নুপা অমগী এপার্টমেন্টদা খোং-খূৎনচিংবা হকচাংশিংগী শরুক কয়ামরুম থেংনখিবগা লোয়ননা টোকিও পুলিসনা নুপা অদু ফাগৎখ্রে।



মশাগী চহী ২৭শুরবা টাকাহিরো মিরাইসি কৌবা সস্পেক্ট অদুনা মীওই কয়া হাৎলবা মতুংদা হকচাংশিংদু লেনথৎলগা কোল্ড ষ্টোরেজ কেসশিংদা হাপচিল্লগা ফৎত-হৌদিশিংনা কুপশিল্লগা থমখিবনি হায়না পুলিসতা ফোঙদোকচখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

শিরাইসিগী ৱাফম পল্লদুনা পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি মহাক্না অদুম্না তৌরিবদু ইভিদেন্স লোৎনবগীদমক্তনি। লেন্থৎলবা হকচাংগী শরুকশিংদু ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌখিবা চয়োলদগী থীবা খঙখিদবা চহী ২৩গী নুপী অমা কোয়থি থীবদা থেংনখিবনি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি। পুলিসকী পোলিসি অমগী মতুং ইন্না মহাক্না নুপাদুগী মমিং ফোঙদোকখিদে।

নুপী নিপাল অমসুং নুপা অমা পূন্না মীওই মাপনগী হকচাংশিংদু এপার্টমেন্ট অদুদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বনি হায়না পুলিসনা থাজরি হায়না নেসনল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কে অমসুং অতৈ মিদিয়ানা ফোঙদোকখি। থীবা খঙখিদবা নুপী অদু মখোয়গী মরক্তগী অমা ওইরম্বা য়াই হায়রি। পুলিসনা অহানবদা এপার্টমেন্টগী চঙফম লম্বীদা কূলরশিংদা ভিক্তিম অনীগী অতৎপা মকোকশিং থেংনখি। মদুগী তুংদা সস্পেক্ট অদুগী এপার্টমেন্টদা মখা তানা থী হুম্বদা অতৈ তরেৎ ফংখি হায়না লোকল মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, মফমদুদা টুলবোক্স অমা অমসুং হোরাই অমসু থেংনখি। হকচাংশিংদু খূৎলায়শিংদু শীজিন্নরগা লেন্থৎখিবনি হায়না থাজনখি।

শিরাইসিনা পুলিসতা ফোঙদোকখি মদুদি, মহাক্না হকচাংশিংদু মহাক্কী বাথরুমদা তোঙান তোঙান লেনথৎখি অমসুং হকচাংশিংদুগী শরুক খরদি ফৎত-হৌদিশিং ওইনা মপান্দা পুথোকখি। মিদিয়া রিপোর্টশিংনা নুপা অদুগী য়ূমলোন্নবশিংনা এপার্টমেন্ট অদুগী মনাক্তা নমথিবা মনম নমখি হায়না ফোঙদোকপগী পাউদমশিং পীখি।

থীবা খঙদবী নুপী অদু ওনলাইন্দা মশা মথন্তা শিজনীংবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা মতুংইদা নুপা অদুগা কন্টেক্ট তৌনখিবনি অমসুং মখোয়নি সস্পেক্ট অদুগী এপার্টমেন্টগী মনাক্তা লৈবা ত্রেন ষ্টেসনশিংগী মপান্দা লৈবা সিক্যুরিটি কেমেরাশিংনা কেপচর তৌখি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মবুংনা পুলিসতা মহাকপু থীবীনবা হায়জখি। মালেমগী ওইনা য়েংবদা জপানগী ক্রাইম রেটশিং খ্বাইদগী নেম্বশিংগী মনুং চল্লবসু হন্দক লৈবাক অসিদা হায় প্রোফাইল মীহাৎ খরা থোকখি।

## পাকিষ্টানি নুপী অমনা মপুরোইবা হাৎনবা হোৎনবদা শোয়বদগী ইমুংগী মীওই ১৩ হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লুহোংবা কুইদ্রিবা নুপী অমনা মহাক্কী নুপা হাৎনবা হোৎনবদা শোয়বদগী ইমুংগী মীওই ১৩ ওইনা হাৎখ্রে হায়রি।

থা অনীগী মমাঙদা অসিয়া কৌবা নুপী অদুনা মহাক্কী নুপা অমজাদ হাৎনবগী শরৌগী শরুক ওইনা শঙ্গোম গ্লাস অমদা হু হাপচিনখি। তৌইগুম্বসুং নুপা অদু শঙ্গোম গ্লাসতু থকউ য়াখিদে। তুংদা শঙ্গোমদু মনেমবোক্লা লাসি শেন্বদা শীজিন্নখি। অমজাদকী ওইনদি মমানা শেল্লিবা লাসিদুসু থকখিদে হায়রি।

লাসিদু থক্লুবদগী অঙাং য়াওনা ইমুং অদুগী মীওই ২৮গী মনুংদগী মীওই ১৩ শিখি অমসুং অতৈ ১৪না হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নখি হায়রি।

টেলিগ্রাফ পাউচেদা ফোঙবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, হু অদু আসিয়াদা মহাক্না নুংশিনবা নুপানা পীখিবনি। অহানবদা মীপুম খুদিংমক্না শঙ্গোমদুদা চুম অমা তাশিনবদগী মদু হু ওল্লকখিবনি হায়না থাজনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা ৱাহং পাউহং চঠবদা ক্রাইম অদু মহাক্না পাঙথোকখিবনি হায়না অসিয়ানা ফোঙদোকচখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, থা অনীগী মমাঙদা মহাকপু নমদুনা লুহোংখিবগী লমন খুম্নবগীদমক্তা অসিয়ানা মহাক্কী নুংশিনবা নুপাদুগা লোয়ননা মপুরোইবা হাৎননবা লৌতুনখিবনি। পুলিসনা নুপী অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখ্রে অমসুং মহাক্না নুংশিনবা নুপাদু থীরি হায়রি।

# মফম লৌথোকখ্রবা কাটালান লীদরনা বেলজিয়মগী কেপিটেল ব্রসেলজতা ৱা ঙাঙগদৌরি

ব্রসেলজ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : কাটালোনিয়াগী মফম লৌথোকখ্রবা রিজনেল প্রসিদেন্ট লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেলজিয়মগী কেপিটেল ব্রসেলজদা ৱা ঙাঙগনি হায়না য়ুরোপিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক বেলজিয়মদা পোলিটিকেল চঙজফম লৌরবা য়াই অমসুং কাটালোনিয়াগী নীংতম্বা লাওথোক্লুবগীদমক্তা স্পেন্দা প্রোসিক্যুসন তৌহন্দনবা হোৎনরকপা য়াই হায়না ফোঙদোক্লুবা কয়া লৈরিঙৈ চৈরক্তা খঙহৌদনা মহাক্না ব্রসেলজদা ৱা ঙাঙবগী ৱাফম লাকখিবনি।

কাটালান লীদর কার্লেস পিগদেমোন্ট নিংথৌকাবা নুমিৎতা ব্রসেলজদা থুংখি। নুমিৎতুমক্তদা স্পেনিস প্রোসিক্যুটরশিংনসু মহাক অমসুং অতৈ কাটালান ওফিসলশিংগী মথক্তা লালহৌবা, মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা শিনবা অমসুং লৈবাক্কী শেল ময়াম অমা মরন্নাই হৈনথোক্লম্বগী মরালশিং শীরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লীংদবা য়ুরোপিয়ন ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, পিগদেমোন্টেনা জিএমটি ১১:০০ তাবদা ব্রসেলজদা মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙগনি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা বেলজিয়ন গভর্ণমেন্টগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা পিগদেমোন্টনা চঙজফম পীনবা হায়জরকপা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা ৱাফম নত্তে হায়খি। স্পেনিস ফোরন মিনিষ্টর অলফোনসো দাষ্টিসনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা পিগদেমোন্টনা বেলজিয়মদা চঙজফম থীরম্বা থোক্লবা অমসুং মফমদুদা মহাকপু প্রোটেক্সন পীরম্বা থোক্লবদি মাদ্রিদতা লৈরিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙাক্কনি।

দাষ্টিসনা স্পেনগী কাদেনা এম ঈ আর রেদিওদা হায়খি মদুদি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংগী মরক্তা রুল ওফ লোগী মতাংদা অমগা অমগা থাজনবগী ৱাফম লৈ। হৌজিক্কী অসিগুম্বা ফীভমসিদা মঙোন্দা অসুম্না চংজফম লৌবা য়াবগী রাইট পীরম্বা হায়বসি শোয়দনা ঙক্লিংঙাই ওইগনি হায়না দাষ্টিসনা ফোঙদোকখি। অসুম্না চঙজফম থীবগী পিটিসন লৌরম্বা হায়বসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীদা মহৌশাগী ফীভম কায়রক্লবগী মচাক ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বেলজিয়মনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অতৈ লৈবাকশিংদা চঙজফম হেক হেক পীদুনা লাকখি। মমাঙদসু বাস্ক সেপরেটিষ্টশিংবু লৈবাক অদুনা স্পেনদা ৱায়েল চঠনবা থাদবগী ৱাথোক অমা থোকখি। মদুনা মরম ওইদুনা চহী কয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা নুংঙাইনদনা লৈরকখি।

## ইব্রাহিম খালিল গেটতা টর্কিশ ইরাকি ফোর্সশিং লৈতে : রিপোর্ট

ইব্রাহিম খালি, কর্দিষ্টান রিজন, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : টর্কিগা লোন্নবা কে আর জিনা কন্ট্রোল তৌবা ইব্রাহিম খালিল লেন্দ বোর্দর ক্রোসিংগী চীফনা ষ্ট্রেটেজিক এনত্রি পোইন্ট অসি ইরাক অমসুং টর্কিগী অপূনবা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌশিনখ্রে হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিং য়াখিদ্রে।

সামাল অব্দুলরহমন্না হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্ট অমত্তা লৈখিদে অমসুং ললোন ইতিক্তা মরী লৈননা চৎথোক চৎশিন তৌবা অমসুং পেসেঞ্জর ত্রাফিক মহৌশাগা মান্নখি।

অসিগুম্বা এরেঞ্জমেন্টশিংগী মতাংদা ইরাকি নৎত্রগা টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা মঙোন্দা কন্টেক্ট তৌরকখিবা লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবদা বোর্দর ক্রোসিং অদু হৌজিক ইরাকি গভর্ণমেন্টকী মখূৎতা লৈরে হায়খি। বোর্দর ক্রোসিং অদু ইরাক্কী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা শিন্নখ্রে হায়না অঙ্কারাদা পাঙথোকখিবা টেলিভাইজ মিটিং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িলদিরিমনা মহাক্কী রুলিং পার্টিদা হায়খি।

বোর্দরদু কন্ট্রোল তৌবগী থবক খুদিংমক হৌজিক ইরাকি অমসুং টর্কিশ ওফিসলশিংনা মখোয় মখোয়গী সাইদশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ইব্রাহিম খলিলগী টর্কিশ সাইদকী মোহম্মদনা রুদোলদা ফোঙদোকখি মদুদি ক্রোসিং অদুদা লৈখি হায়রিবা ফোর্সশিংদু কর্দিশনা কন্ট্রোল তৌবা বোর্দরদগী টর্কিশ মায়কৈদা ভিজিট তৌখিবা ইরাকি আর্মিগী তোপ মিলিটরি চীফকী কনভোয় অমনি।

# থাদ সিষ্টেমগী মতাংদা য়ানখিদবা মতুংদা চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরী ফগৎহল্লগনি



বৈজিং/সিওল, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা থাদ মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী মতাংদা চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা নুংঙাইনদবা লৈখিবা মতুংদা লৈবাক অনীনা শেল থুম অমসুং অতৈ মরীশিং ফগৎহনবা হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ানখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিসনা মরুওইবা ৱাফম ওইদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা এসিয়াদা খোঙচৎ অমা হৌদ্রিঙৈগী নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা নাকল অনিগী মরক্তা খঙহৌদনা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী টর্মিনেল হায় অলটিট্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) সিষ্টেম ইন্সটোল তৌখিবনা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওনহনখি। বৈজিংগী মায়কৈদগী থাদ দিপ্লোইমেন্টনা মরম অদুনা সাউথ কোরিয়াগী ললোন ইতিক অমসুং টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না অতম্মনা ফোঙদোকখিদ্রবসু চাইনাগী অশাওবদুগী মহয় ওইনা সাউথ কোরিয়াগী টুরিজম, কোসমেটিক্স অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিশিংদা অকায়বা কয়া থোক্লকখি।

থাদ সিষ্টেমগী মতিক ময়াই লৈরবা রাদরনা চাইনিজ টেরিটরি ফাওজিনবা ঙমগনি হায়না বৈজিংনা ৱারিবনি। কোরিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা এক্সচেঞ্জ অমসুং কোওপরেসন হেনগৎহনবা হায়বসি নাকল অনীমক্কী মান্নবা অপাম্বশিংনি হায়না লৈবাক অনীমক্না ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা হীরম খুদিংমক্কী এক্সচেঞ্জ অমসুং কোওপরেসন মহৌশাগী ফীভমদা য়াম্না থুনা লাকহনবা হায়না য়ানরে হায়না সাউথ কোরিয়াগী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মমাঙদা বৈজিংনা নোর্থ কোরিয়াগা হিষ্টোরিক এলাইন্স শেম্বা লৈরবসু অমসুং সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী ত্রুপ ২৮,৫০০০ থম্বা য়াওনা সিওল অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা নকশিন্নবা মরী লৈনরবসু থাদকী মতাংদা য়ানদবা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈবাক অনীগী মরী ফখি। চাইনানা সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ললোন ইতিক্কী পার্টনরসু ওইরি।

অসিগুম্বা অরুবা তাঞ্জা অসিদা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্না অমনা অমগী প্রোব্লেম থোকহনবগী মহুৎতা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র চেলেঞ্জ য়েংশিন্নবা পূন্না থবক তৌমিন্নগদবনি হায়না চাইনাগী পেকিং য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টরনেসনল ষ্টদিজগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরিবা ৱাং দোংনা হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র বেজ নীংখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০০ হেন্না শিখি : জপানগী টি ভি অসাহি

টোকিও, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েংগী মতুংদা লৈবাক অদুগী লৈনুংগী ন্যুক্লিয়র চাংয়েং মফমদা টনেল অমা নীংখাইবদগী মীওই ২০০ হেন্না শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না জপানিজ ন্যুজ রিপোর্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।




নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৩দা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা পুংয়েরি ন্যুক্লিয়র টেষ্ট সাইটতা লৈবাক অসিগী তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা অন্দরগ্রাউন্দ ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুং নুমিৎ কয়ানি কান্নরগা ওক্টোবর ১০দা ৱার্করশিংনা কন্সত্রক্সনগী থবক শুরিঙৈদা টনেল অদু নীংখাইখিবনি হায়না জপানগী অসাহি টিভিনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অমত্তনা জপানিজ টি ভি ষ্টেসনগী ক্লেমশিং অদু কনফার্ম তৌখিদ্রবসু এক্সপার্টশিংনা টনেল অদু ন্যুক্লিয়র ব্লাষ্টতুগী মতুংদা নীংখাইরকপা য়াই হায়না থা অমরোম হেন্না চীংনরকখি হায়রি।

দিজাষ্টর অদুনা চর্নোবিল নৎত্রগা ফুকুসিমাদা থোকখিবা দিজাষ্টরগা মান্ননা অচৌবা রেদিওএক্টিভ লিক অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহনখি। নোর্থ কোরিয়ন ওফিসল অমনা টনেল নীংখাইবদু অন্দরগ্রাউন্দদা টনেল অমা শারিঙৈ মনুংদা থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

অহানবা নীংখাইবদা টনেল অদুদা মীওই ১০০ ফুমজিল্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈখি অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসন পাঙথোক্লিঙৈদা অনীরকশুবা ওইনা চীংখাইরকখিবদা মখা তানা মীওই ১০০ অমগসু ফুমজিনখি হায়না অসাহিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি। সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন লী য়ুগেননা হায়খি, পাউদু ঐখোয়সু থেংনরে তৌইগুম্বসুং মদুগী মরমদা ঐখোয় করিমত্তা খঙদে।

এক্সিদেন্ট অদু কিম জোং উনগী তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অদুনা চীংদু শোলহনবদগী থোকখিবনি হায়না থাজনৈ হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি। চহী অসিগী অঙনবদা বেজ অদু লৈরিবা চীং অদু নীংখাইদুনা লমদম অদুদা রেদিয়েসন লিক ওইবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখি।

এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না চীংদু নীংখাইবা তারবদি রেদিওএক্টিভ দষ্ট অমসুং গ্যেস মপৈ মপৈনা লমদম অদু কুপশিনগদবনি হায়না সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টনা ফোঙদোকখি। পুংয়ে-রি টেষ্ট সাইট অদু মাউন্ট মান্টপুগী চীংমাই অমদা মনুং য়াম্না হঞ্জিন্না লৈ হায়রি।

# ‘পলিষ্টিনিয়ন গ্রুপশিংনা ইজরেলগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী পাউখুম পীগনি’

জেরুসালেম, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সি) : গজা ষ্ট্রিপকী সাউর্দন টাউন অমদা লৈবা টনেল অমদা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ইজরেলনা চঠখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখিবা অমসুং অতৈ মাপন্না শোকখিবগী মতিক চাবা পাউখুম পীগনি হায়না পলিষ্টিনিয়ন খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না এটেক অদুগী পাউখুম পীনবগী হক শীজিন্নগনি। মসি ঐখোয়গী ইথৌনি হায়না ইস্লামিক জিহাদকী লিদর অমা ওইরিবা দাউদ সেহাবনা অল জজীরাদা ফোঙদোকখি। মসি রেজিষ্টেন্স গ্রুপশিংনা পাউখুম পীনবগী লোনা য়াবা হকনি হায়না সেহাবনা মখা তাখি।

পলিষ্টিনিয়ন মিদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা খান য়ৌনিসকী টেনেল অদু ইজরেলি এয়র ফোর্সনা হিট তৌখ্রে হায়খি। খান য়ৌনিসকী নোংপোক্তা তৌরিবা টনেল অদুদা ইজরেলনা মিসাইল মঙা কাপশিনখ্রে হায়না রিপোর্ট খরা পল্লদুনা পলিষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সি ৱাফানা ফোঙদোকখি। রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না, ইজরেলনা টনেল অদু মখোয়গী লম য়ৌশিনবা য়ানবা মওংদা তৌই হায়রি।



ইজরেলি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, হৌজিক হৌজিক শাবগী প্রোসেসতা লৈরিবা বোর্দর ৱালগী মনাক্তা লৈবা টনেল অদু মতম খরা মোনিটর তৌরবা মতুংদা থুগাইখিবনি।

গজাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথনা শিখিবশিংদুগী মনুংদা মঙাদি ইস্লামিক জিহাদকী মিলিটরি ৱিং অল কুদস বৃগেদকী মেম্বরশিংনি অমসুং অতৈ অনীনা হমাসকী ইজ ইদিন অহল-কশম বৃগেদসকী মেম্বরশিংনি হায়না ওফিসল ওইনা আইদেন্টিফাইদ তৌখি। হমাসনা এটেক অদুবু খ্বাইদগী নৌবা জিওনিষ্ট ক্রাইমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নম্ফুন্দা ঐখোয়গী লম পায়শিনববু থিংনবা মওং খুদিংমক্তা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী মীয়ামগী মহৌশাগী হকনি হায়না মুভমেন্ট অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

চৈরকসিদা পলিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসকী ৱেষ্ট বেঙ্কতা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টিনা ইজরেলি এটেক অদুগী খ্বাইদগী ফবা পাউখুম খন্ননবা পলিষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা দাইলোগ চঠনবা আপিল তৌখ্রে।

ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা এটেক অদুবু টনেলগী থ্রেটশিং দিল তৌনবগী ‘খঙহৌদনা থেংনরকপা য়াম্না ফবা টেক্নোলোজি’ অমনি হায়না শিংথাখি।

মহাক্কী লৈবাক্কী সোভরন্টিদা অকায়বা পীনবা হোৎনরকপা খুদিংমক হমাসকী খূৎনি হায়না লৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০০৮-দগী ইজরেলনা গজা ষ্ট্রিপতা ওফেন্সিভ অহুম পাঙথোকখ্রে।

# য়ু এসতা হেলিকোপ্টর ৯ হনখ্রবা মতুংদা পাকিষ্টান্না অনৌবা হেলিকোপ্টর দিল অমা পাল্লি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : পাকিষ্টান্না কুমজা ২০০২দা য়ু এসতগী লৌখিবা হুঙ-ঈ টু হেলিকোপ্টর মাপন হল্লকখিবা মতুংদা এন্টি নার্কোটিক্স ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবগীদমক্তা হেলিকোপ্টর ময়াম অমা য়ু এসতগী লৈনবা হোৎনরি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান্না চহী ১৫গী মমাঙদা য়ু এসতগী ফংখিবা হেলিকোপ্টর মাপনগী মনুংদা লেমহৌরিবা হেলিকোপ্টর মঙা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হনখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মমাঙদা রোটরি ৱিং-হেলিকোপ্টরশিং অদুগী মনুংদগী মরি ওক্টোবর ১৫দা হন্দোকখি হায়না দোনগী ওনলাইন পাউনা ফোঙদোকখি।

ফেদরেলি এদমিনিষ্টর্দ ত্রাইবেল এরিয়জ (ফাষ্ট) অমসুং বালেচিষ্টান্দা এন্টি-নার্কোটিক্স ওপরেসনশিং চঠনবগীদমক্তা ইস্লামাবাদনা ৱাশিংটন্দগী ফিক্স ৱিং সেশনা প্লেন অহুম য়াওনা পূন্না এয়রক্রাফ্ট ১২ ৱাশিংটন্দগী ফংখি। এয়রক্রাফ্ট ১২দু অমুক মখা শাংথবা য়াবা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা লৌখিবনি অমসুং এগ্রীমেন্টদুগী মতম লোইরবা মতুংদা মখোয়দু পাকিষ্টান্না য়ু এসতা অমুক হনবা নৎত্রগা লৈবা য়াই হায়রি।

ৱাশিংটন্না ইস্লামাবাদতা হেলিকোপ্টরশিং অদু এগ্রীমেন্টগী মতম লোইরবা মতুংদা লৈবাক্কী তঙাইফদবশিংদা শীজিন্ননবা তকশিনখিবা লৈরবসু ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মখোয়দু মখা তানা শীজিন্ননবা লৈবগী মহুত্তা হন্নবা ৱারেপ ওইনা লৌখি। অদুম ওইনমক মিনিষ্ট্রি অসিনা চোপ্পরশিংদুগা লোইনরকখিবা সেশনা এয়র প্লেন অহুমদি লৈখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা লেমহৌরিবা হেলিকোপ্টর মঙা ফংখিবা অমেরিকানশিংনা অহুমশুবা পার্টি অমদা য়োনবা য়ানবা হান্ননা ‘রিদিরেক্সন’ এরেঞ্জমেন্টশিং লাংখি। মদু পাকিষ্টান্না হেলিকোপ্টরশিংদু অমুক হন্না লৈবা য়াদনবগীদমক্তনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইস্লামাবাদনা অনৌবা দিল অমা অমুক হন্না নিগোসিয়েট তৌগদবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

দোননা দিপ্লোমেটিক ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনীগী ওফিসলশিংনা নার্কোটিক্স অমসুং টেররিজম ফাইনান্সিংগী মরক্তা হকথেংননা মরী লৈনৈ হায়বসি খঙনবনা পাকিষ্টান্না দিল অমা অমুক হন্না নিগোসিয়েট তৌবদা লুনা থোক্লোই।